লমকোয় ৱারী

# রুশ লৈবাক্তা থাবুম অমা

*(হান্নগী মখা চত্থজরকপা...)*

**রোজিয়া হোটেলদা ঐখোয়**

চাওখৎপা হায়বসি অঙকপনি। ময়াম্না তান্নরিবসি মহাকপুনি। সোভিয়েটকী লৈপাক্তা চৎনরিবা, লৈরম্লিবা চাওখৎপগী থাক কয়া অসি উরগা ইন্দিয়াদি চান্মগী মনুংদা কুন অদুৱাইদা লৈরমগনি খনখি। ঐখোয়না থুংলিবা হোটেল অসিদা লৈরিবা অসি অঙকপনি। হোস্পিটাল অমদি পুলিস ষ্টেসন ফাওবা মনুংদা লৈরে। ফাইভ ষ্টার হোটেলগী মথক্তা করি অমুক লৈরিবগে খঙদে। লৈরম্লগদি মদুগী মথক্কী থাক অদু ওইগনি। মতমদুগী ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর, রজিব গান্ধীসু রোজিয়া হোটেলসিদা লাক্তুনা ফেষ্টিভেলগীদমক লৈখি। ইন্দিয়াগী মশক নাইবা ময়াম পূন্নমক হোটেল অসিদা লৈখি। অহানবা থুংলবা ওইখিবা অমদি মফমদুগী লোনচৎ-শাজৎতা খরা খেন্নবনা, ঐখোয়না লৈরিবা হোটেল অসিগী রুমগী পোৎলমশিং শীজিন্নবদা ঐখোয়গা য়াম্না চুশিন্নখিদে। মরু ওইনা বাথরুম, টোইলেট অসি অমনি। মখোয়গী বিজ্ঞানগী চাওখৎপা, খূৎ-শা হৈবগী তোপ তোপ্পা মশকশিং কয়া উৎথোক্লবা হোৎনৈ হায়বসি কা অদুদা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিংনা ময়েক শেংনা তাক্লি। উপু-কাংথোল, অলমিরা, টেবল অমদি খিল্লিবা টেলিভিজনগী কেবিনেট ফাওবা টিক উগী পোৎথোক্না শাদুনা লৈতেং ওইনা শীজিন্নরি। মমল য়াল্লবা কার্পেটনা টোইলেট ফাওবা শন্দোক্তুনা থারি। শীজিন্নরিবা পোৎ খুদিংমক সোভিয়েটতা শাবা, মখোয়গী পোত্থোক ঙাক্তনি হায়বা খঙহন্নবা হোৎনরি। মপাল লমগী পোৎ মখোয়না শীজিন্নদে। হোটেল মনুংদা সোপ্পিং সেন্টর লৈরি। য়োল্লিবা পোৎ খুদিংমক্কী মমল থেত্তুনা থম্মী। ঐখোয় মশেল হায়নৈ, পোৎশিং অসি মমল তাঙলমগনি লৈরুবা ঙম্মোই। মখোয়গী অসুম্না ঐখোয়গীসু এয়রপোর্টতা, ফাইভ ষ্টার হোটেলদা শো রুমদা লৈ, পোৎ য়োল্লি অদুবু খেন্নরম্মী। মখোয়গীদি, মফম অমদা চৎলবসু পোৎশক অদু মান্নরবদি, য়োল্লম্বা পোৎ খুদিংমক্কী মমল চপ মান্নৈ। লৈগদবা মীনা মমল তানবা ঙাঙনবসু চৎনরমদে। অমদা ফংবা পোৎ, দুকান অমদসু ফংগনি। পোৎ খুদিংমক, য়োল্লিবা দুকান মপুনা লৌনিংবা মমলদা লৌদুনা য়োনবগী চৎনবী লৈরমদে। লৈঙাক্লা লেপ্পা মমলদা পোৎ খুদিংমক য়োনবনি। সিষ্টেম অসিমদি ঐখোয়সু তমহৌবা ফৈ খনখি। ঐখোয় খুদিংমক কাদা ঙাইহাক্তং পোত্থানবা চঙনরে। ট্রুপ লীদরনা মীপুম খুদিংমক্কী রুম নম্বর অমদি কাগী টেলিফোন নম্বর পায়রি। মসিনা, পাউ হায়নিংবা, পীনিংবা মতমদা ইরায় লায়না থোকই। মসিদি ঐখোয়গী কাঙবুদদি অনৌবা পারা অমদি নত্তে। লংফৈ তোয়না চৎলকপগী ঐখোয়গীসু হৈ-শিংবদি য়াম্না লৈ। মফম, লম মান্নদবগী নোংমা-নীনি চুশিন্নবা ঙমদবগী ৱাতনি। হুম্নি শুবদদি ঐখোয়না হেন্না পারা ফারক্কদবতনি। লৈমিন্নগদবা পুন্বা খায়দোক্লরবা মতুং, মাগী মাগী কাদা চঙনরে। কাদা চঙবা পংকুই কুইদ্রিঙৈ, ফোন অমা লাকই। ট্রুপ লীদরনা তৌরকপা ওইরম্মী। টোইলেটকী লৈরমখিবা মওং ময়াম, শীজিন্নগদবা টেপ ৱাটরগী মওংশিং য়েংঙু হায়রকই।

লূবা-নানবা হায়বসি ফিরোল খক্তনা নত্তে। খ্বাইদগী চেকশিনগদবসি টোইলেটনি। হাইজিনিক ওইবা মওংদা শেম্লিবা টোইলেটনি। খোং হাম্ফম, মায় তাফম খুদিংমক, ডাক্তরগী অয়াবা য়াওরবা, মহীক-মতাং লৈত্রে হায়বগী ‘ও কে’ নৎত্রগা ‘টেষ্টেদ’ হায়না ইবা চে থেৎলম্মী। টোইলেট ফাওবা কার্পেট থারম্মী। টেলিফোন লৈরমখি। ঐখোয় মশেল ফোন তৌনৈ। ঈশিং ফ্লস তৌবা শোয়বগী, চামথোক-খোৎতোকপগী মওংদা মান্নদবা নোক্লিংবা কয়া হায়নরকই ঐখোয় মশেল ফোন তৌনদুনা শীজিন্নবগী মওং তাক্লে। অমগা অমগা পাউ পীনৈ। মসিসু এক্সপিরিয়েন্স মখল অমনি। চাওখৎপা হেনখিবনা, টোইলেটতা শীজিন্নরিবা মওংশিংগী খেন্নবা অদুদনি ঐখোয়না নোকখিবদো।

নুংথিলগী মতম ওইরক্লদুনা হয়েংগী থৌরম অমদি ডিন্নরগীদমক ৱা খন্ননবা ঐখোয় মখাদা কুমথৈ। ঐখোয়না কুমথরকপদা, ঐখোয়গী ট্রুপ লীদরগা ইন্টরপ্রিটরশিংগদি হান্না ঙাইদুনা লৈরল্লে। ইভনিংগী উনবদা টানিয়ানা হায়রকই, “গুদ ইভনিং চিলড্রেন, ইজ এভরিবোদি হিয়ার?” ঐখোয়গী মরক্তগী খরনা ‘য়েস মেদাম’ হায়না খুমখি। টানিয়ানা হায়রকই, ‘ফেষ্টিভেল হয়েংদগী হৌরগনি অদুনা ঐখোয় হৌজিক মোস্কোগী লুজনিকিদা লৈবা সেন্ট্রেল ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদবা ইন্দিয়া ফেষ্টিভেলগী রিহার্সেল য়েংবা চৎকদবনি, হল্লক্লগা ডিন্নর লৌগনি। ময়াম বস মনাক তান্না চৎলসি।” চৎলসি হায়রকপদা, মী শুরব্রা হায়না ঐখোয় মশেল হংনৈ। টানিয়ানা হংলকপদা শুরে হায়রুরগা মী ইশু-শুদবগুম উবদা, মহাক খঙহন্দনা মশীং থিদুনা য়েংঙি। মী মশীং শুরমদ্রি, মী মরি কাদগী পুল্লপ কুমথরল্লমদ্রি। ঐখোয় ময়ামগা ইন্টরপ্রিটরশিংগা ৱা খন্নৈ। ঐখোয়গী মী পূন্না কুনমঙানি। কুনমঙা অসি কাঙলুপ মঙা থোক্লা খায়দোক্লগা, মী মঙা-মঙানা শাবা কাঙলুপ অমমমদা ইন্টরপ্রিটর অমমন্না লমজিংহল্লসি। য়ানরদুনা ময়াম লোয়নমক বস তোংনবা মাঙ থাদুনা চৎনখি। অৱাৎপা মীওই মরি অদু ঐদি ঙাইহৌবা তাখি। ঐখোয় মঙাগী কাঙলুপ অমা শেম্লে, শেন্নবীগদবসিনা প্রোমিল যোসিনি। মহাকসু ঐখোয়গা লোয়ননা চৎমিন্নবদা তারবনিনা, ৱাৎহৌবা ময়ামবু ঙাইহৌখি। ৱাৎহৌবা ঐখোয়গী মরু ওইবা সেনিয়র আর্টিষ্ট মরি, হোবে-হোবে তৌদুনা তা তোম্বনা মাঙ থারগা লিফতা কুমথরকই। ঐনা মী শুরে হায়না প্রোমিলদা হায়রবা মতুংদা, মহাক্না ঐখোয় মীওই মঙাদা কোবেক (রুশকি পৈশা) মঙা-মঙা য়েন্থোক্লকই অদুগা হায়রকই, “পৈশাশিং অসি হোরেন লৈনুংগী মেট্রো ট্রেন তোংনবগীনি। চঙফমগী লোক্করদা মীপুম খুদিংমক্লা মসি থাদরমদবা য়াদে। ঐখোয় হৌজিক চৎলসি।” মহাক্না মাঙ থাদুনা চৎলি। পার্ক অমা খোঙনা লাল্লগা লাকই। মশা নানবা পাইলোট মানবা, মখূৎতা অতেনবা চৈ পায়বা নুপা অমনা নাকল অমদগী রেফ্রি খোংলকই। ঐখোয় ময়াম নুপা অদুদা য়েংলুই। নুপা অদুনা ঐখোয়দা মুন্না য়েংঙি অদুগা প্রোমিলগা রুশকী মরোন্দা ৱারী শানখি। প্রোমিলনা মাগী আই কার্দ পুথোক্তুনা উৎলি। নুপাদুনা প্রোমিলগী কার্দ য়েংলবা মতুংদা মাগী কার্দতু লৌশিনখি। ঐখোয়দগী খরা লাপ্পা প্রোমিলবু কৌথোক্তুনা ফনা কুইনা মখোয় ৱা ঙাঙনৈ। করি হায়নরিবনো মরোল খঙদ্রবসু করিগুম্বা ৱা অমা লৈরে হায়বা ঐখোয় খঙখি, কৈদৌরজাৎনো ঐখোয় মশেল হংনৈ। ময়াম পূন্না চৎমিন্নরল্লবদি ফরমগদবনি। মতম চানা কুমথরক্তবদগী খরনা চৎখ্রগা ঐখোয়না খুদোংথিবা নংলে হায়না ঐখোয় মশেল ওমখৎনৈ। ঙাইহাক ৱা ঙাঙনরবা মতুংদা নুপাদুনা লৌশিনখিবা প্রোমিল যোসিগী আই কার্দ পীথোক্লককখি। ঐখোয়দি তৌফম খঙখিদবনা চঙক্লনা লৈখি। প্রোমিল মমায় ঙাঙশং-ঙাঙনা ঐখোয়গী নাক্তা লাকই, ঐখোয়দা ‘সোরি, চৎলসি’ হায়রকই। ঐখোয় ময়াম অমুক মাগী মতুং ইন্দুনা চৎলি। ফনা শাংনা মাগা ৱা ঙাঙনখিদে। মহাক মায়থীরবী অমগুম মতু ইপোন-পোন্না চৎলি। মাগী মতৌদু ঐখোয়সু ইনুং-নুংঙাইখিদে। নুপানি ঐখোয়না হংফম থোকই হায়দুনা হংখি।

- নুপাদু কনানো?

- পুলিসনি।

প্রোমিলনা তপ্পা খুল্লকখি। ৱা মখাদি তারকখিদে। ঐখোয়না উখিবদা নুপাদু পুলিস মানখিদে। মখূৎতা নোংমৈসু পায়দে। পুলিসনা টাই পুনবা, লমদুদা উরকই হেক য়েংবদা পাইলোট মাল্লি। ফিল্ম ষ্টার অমগুম্নসু মশক ফজে। ৱা ঙাঙবদা মোমোন নোকই। মশক-মতৌ উবদা নুংশিবা ফাওই। মঙোন্দা য়েংলগা লৈনিংঙি। ইন্দিয়াগী খাকি মচু ফুরিৎ লিৎপা, মীবু উরগা শা-ঙাগুম লাও খোংদুনা দুৎ-দাৎ হায়গনবা, ঐখোয়গী ইন্দিয়ন পুলিস মিৎতা উরকই। খাকি মচুসিনরা খঙদে ঐখোয়গী পুলিস উবদা য়েংনিংবা ফাওদে। মশাদা অথোৎপা উদে। করিগীনো, ঐখোয়গী ইন্দিয়া অসিনা খাকি মচু অসি অসুক য়াম্না পাল্লুরিবা? ফনা তপ্পা মী ওইরবসু খাকি মচুসিবু শেৎ-চাখ্রবদি মশাসি মশোং ফনগৎলি। মচু শীজিন্নবসি লুবজাৎনি। ঐনা ৱাফম অমা তাখিবগুম তৌই। সাহেবকী সিফাইশিংনা খাকি মচুসি শেৎলগা মালেম অসি খুদুম চনখি। মখোয়না ইন্দিয়াবু মতম শাংনা মখোয়গী খুদুম মখাদা থল্লমখি। মীচম কয়া হাৎখি। সাহেবশিংনা ইন্দিয়া থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মতুংদা মদু নীংশিংনবা ইন্দিয়ানা অমুক শীজিন্নহৌবনি হায়। ৱাফমসিনা অচুম্বা ওইরবদি কদায়দনো অরানবা ৱাখল্লোন অমদি লৈরে। অমনবা, মীনা হুন্দোক্লম্বা পোৎ শীজিন্নবা ফৈ খল্লিবা মীদুদা, চাওখৎপগী লম্বীসি করম হায়না তাক্কদবনো? মফাং-মফাং ঙাইহাক খল্লুরবা মতুংদা মাঙদা চৎলিবা প্রোমিল যোসি উরকই। মানা নুংঙাইতনা চৎপা উবদা ঐনা খঙনিংনা চঙশিন্দুনা ৱা মখা হংখি,

- মানা করি হায়রকখিগে?

প্রোমিল হন্দক্তি হান্না ঙাঙবা মায়থোংদগী খরা হেন্না ঙাঙবগুম তৌই। চৎনা-চৎনা, ঐখোয় ময়াম শুনবা কোইয়েং য়েংলকই। মাসু ইন্দিয়া মচানি। মশাদা পাখৎপা অকিবা অমগী মমিদি তাবা মাল্লি।

- ঐ য়াম্না লানখ্রে, ময়ামদা হায়দোকপা ইকায়রে।

হংবা হৌরুরবনিনা ঐসু ঙম্নবা হংখি।

- নুপাদুনা করি হায়খিবনো ঐখোয় খঙনিংঙি?

প্রোমিলনা তপ্পা মখা হায়রকই।

- সোভিয়েট লৈপাক অসিদা নুপী অমনা নুপা অমদগী হেন্না লম্বীদা চৎমিন্নবা য়াদে, ঐদি নুপা অমখক্তসু নত্তনা নখোয় মঙাগা পূন্না চৎমিন্নবগী পুলিসনা ফাবনি। নুপী অমনা নুপা ময়ামগা লোয়ননা চৎমিন্নবা মফমসিদা ফজনা হায়নদে। ঐহাক মসি কাউরুরে। ঐ য়াম্না লানখ্রে। ঐনা, ইশাগী আই কার্দ উৎতুনা ইন্টরপ্রিটরনি হায়খি। ইন্দিয়নশিংনি, ইন্দিয়া ফেষ্টিভেল য়াওবা লাকপনি হায়রবা কান্দদা থাদোক্লকপনি। ময়ামবু ঙাইহাক ঐনা পলহনখ্রে। ময়াম্না শাউব্রা?

- শাউদে করিগী শাউদৌরিনো?

প্রোমিলগী ৱা তারগা মহাভারতকী পাণ্ডব মচিন-মনাও মঙানা, দ্রৌপদিগা লোয়ননা বন চৎপগসু হায়ফেৎ মাল্লকই। পূক্লিংদা ইথন্তা নোক্লিংবা অমা ফাওরকখি। মহাক্কী নুংঙাইতবদু কোক্লবা থেমজিনবা ওইনা হায়খি।

- খঙদবনা চৎমিন্নরুবনি কনাসু লান্দে। মখোয়দগী পারা অমদি তমজবা ফংলে, মসি অফবনি।

- সিদদি থবক খুদিংমক য়াম্না চেকশিল্লি। মখোয়গী চৎনবীসি তোংঙাল্লি। ময়ামসু খরা কুইনা লৈরদি য়াম্না থেংনরকখিনি।

- অফবদি ঐখোয়সু য়াফম থোকই। চাওখৎপগী মতৌদি তমশিনবা ফৈ। মদুদা ইকায়নিংঙাই করিসু লৈতেদা।

ৱারী শানা শানা লাকপনা ঐখোয় লৈনুং অমদা লীফনা পুদুনা কুমথৈ। পাটাল হায়দু য়ৌরমগদবা মাল্লি। থাজদনা লৈনুংদা মেট্রো ট্রেনগী অচৌবা ষ্টেসন অমা লৈরম্মী। দিল্লি, কলকটাগী মেট্রো ষ্টেসন অদুগুম্বা নত্তে, লৈনুংদুদা লৈরম্লিবা মওংসি মঙলৈবাক্লি। এয়রপোর্ট ষ্টেসন অদুগুম্বা নত্তে, লৈনুংদুদা লৈরম্লিবা মওংসি মঙলৈবাক্লি। এয়রপোর্ট ষ্টেসন অমগুম্বনি। মোস্কোগী মমিং লৈবা **‘টিমিরয়াজেভসকয়া মেট্রো ষ্টেসন’** হায়বদুনি। অদুক য়াম্না মী লৈনুংগী ষ্টেসন্দা লৈরমগনি থাজদে। প্রোমিলনা মাঙ থাদুনা গেট অমখক লান্থোকই। গেট অদু লানবদা টিকেট কক্তে। কোবেক মঙা শেম্ফু মানবা অমদা থাদরম্মী। মানা তৌবগুম ঐখোয়সু কোবেক্তু থাদৈ। তুং ইথং-থংনা লাকপা তা-তোম্বদু কাওরমাল্লে কোবেক থাদরমদনা লান্থোক্কে তৌবদা, য়োৎপী শারং মানবা অমনা কোৎতুনা ফাখি। তা-তোম্বনা তুংদগী, ‘ঙাইখো কৈনোম তৌরে’ হায়রকপদগী হন্না য়েংলুবদা, মহাক য়োৎকী শারংগুম্বা অমনা ফাদুনা লৈরম্বা উরকই। ‘ঙসাই পীবা কোবেক অদু থাদদ্রা?’ ঐনা হংখিবনি। তা-তোম্বনা কোবেক্তু, মাগী ফুরিৎ খাউদগী লৌথোক্তুনা উৎলি। লোগ তৌখ্রবদি কোবেক থাদরসু হাংদোক্তে। ইপা-পাখৎনা লৈবদু উবদা প্রোমিলনা টেক্নিসিয়ান অমা কৌরগা লোগ অদু হাংদোকহল্লি। লোগ হাংবদা ফনা কুইনা চংঙি। তৌনরিবা মওং অদু, চৎলিবা মীয়াম অদুনা হন্না ফাওবা য়েংনদে। ঐখোয় স্বাইদা ওইরদি, ময়াম য়োমশিন্দুনা য়েংনরম্বসু য়াই। মদুমদি থোকখিদে লাইবক ফবনি। হন্দক্তি প্রোমিলগী মফমদা ঐখোয়না অমুক লাল্লে। ঐখোয় মহাক্কী মফমদা ইকায়খি। তা-তোম্বদা ময়াম্না অমুক ঙাঙবীখি, ‘করিগী কোবেক্তু থাদরুদ্রিবনো?’ তা-তোম্বনা ইরায় লায়না খুল্লকই, ‘থাদগদবনি হায়দি নখোয়না হান্না ঐঙোন্দদি হায়সু হায়দনা।’ তা-তোম্বনা হায়বা লোইনা চুম্মী। ঐখোয় মঙোন্দদি হায়হৌখিদে ঐনা প্রোমিলদা শোয়খিবা অদুগী লাল্লে হায়খি। মখা তাবদি, ঐখোয় খুদোংথিবা কৈসু থোক্তনা লৈনুংদগী ফাওগৎলক্লগা ওপন ষ্টেদিয়মদা য়ৌরকখি। ঐখোয়না থুংলবা মতমদা, রিহার্সেল থৌরম ফনা য়াম্না পাঙথোক্লখিরম্মে। ময়াম্না য়াম্না নুংঙাই হায়। ঐখোয়দি উহৌদ্রবনিনা খঙদ্রে অদুবু ঐখোয়সু, মখোয়না থেংনরোইদবা কাউঙমদ্রবা থৌদোক কয়া হকথেংনরুরগা লাক্লবনি, কনানা হেল্লমগদগে হায়দুদি হায়বা ঙমদে। ঐনা খনখি, পুন্সি হায়বসি থৌদোক মচা-মচা কয়াগা লোয়নবসি ওইরমাল্লে। পুন্সিদা থৌদোক মচা থোকখিদবা মহাক অদুদি পুন্সিগী ফজবা মশক খঙবা, মপূং ফাবা ৱাৎলমগদবা মাল্লি।

ফেষ্টিভেল হৌরমদাইগী কন্না চিনখৎনরকপা মতাংনি। দিল্লিদা মীংশেলনা শোকপদগী মায়দা শোকখিবা বীনাশোরি চৎতবদি য়াদবনিনা বেন্দেজ য়েৎলগা ঐখোয় ময়ামগা লোয়ননা চৎলি। খজিক্তং কোম্বা মতাং অমা য়েংলকপনি, কুইনা অসুম বীনাশোরিগী ফীভম অসি থম্বা য়াদে অদুনা মখোয়গী ডাক্তরদা য়াম্না থুনা য়েংহন্নবা হোৎনখি। মরমদি মহাক লিডিং এক্ট্রেসনি। দিল্লিদা ষ্টিস তৌরকখিবা অদু লৌথোকত্রি। ইন্টরপ্রিটরশিংগী লুচিংবী টানিয়াগা লোয়ননা ঐখোয় অহুম মখোয়গী প্লাষ্টিক সর্জরি ডাক্তর অমদা য়েংহনখি। ডাক্তর অদুনা দিল্লিদা ডাক্তরশিংনা তৌরকখিবা ষ্টিস অদু খরা পেনবা ৱাৎনা হায়রকখিগুম তৌই। মহাক হিরোইন কুল্লিবীনি অদুগী মথক্তা লৈশাবীনি হায়রুবদা ডাক্তরদু ৱাখল খরদি খনখি। মহাক্লা নীংথিনা দ্রেসিং তৌবীরকখি। লোয়ননা মায়দা দাগফম লৈতনবা অফবা মলম পীরকখি, মলম তৈবগী মওংসু তাকপীরকখি। অমুক অনীরক ডাক্তরগী মনাক্তা চৎতুনা য়েংহনখি। বীনাশোরিনা, তুম্বক তুম্বক ফিরুক খুল্লগা ময়াম মরক্তা চৎপদু ঐখোয়সু নুংঙাইখিদে, মহাক্তি লোন্না লোন্না কপখিবজাৎনি। ঐখোয় ময়াম্না মহাকপু ফগৎলক্লবা লাই খুরুমজখি।

মহাক্কী মতৌদা ঐখোয় ময়াম্না খন্নখি, মহাক্কী মায়গী ফীভম অসি সোভিয়েটকী ডাক্তরদা য়েংবা ফংবা অসিনা হান্নগী ফীভমদা হল্লকপা ঙমগদৌরিবনি নৎলমদ্রগদি মহাক্কী মায়থোং য়েংবা নুংঙাইতনা উরম্বদি শোয়দ্রে, শোকখিবা মওংদু য়েংহৈদবা অমনি। অসুম্না অৱাবা-নুংঙাইতবগী থৌদোক মচা মচা খরদগী উচিন্না নান্থোকখি। মীরমদা লাক্লবনিনা পূক্লিংদা, ৱাখলদা লাই খুরুমজনিংবা ফাওরকপসিমদি ঐতগী ৱা নৎত্রে। য়ূমগী লাই সনামহী, পাখংবা, লাঙ্গোল লাইরেম্বী ইমা ইবেম্মা তৎতনা নীংশিংঙি। করি লাই নীংবগে, খুরুম্বগে ঐখোয় অমত্তা হংনদে। মানা মানা পাম্বনি, অনিংবনি। করিগুম্বা মতমদা পূক্লিংসু নুংশিরকই। ঐগুম্বা, ঐখোয়গুম্বা মীশক অমনা করম্না অসুক চাওখ্রবা লৈপাক অমদা করম্না লাকখিবনো? মসিবু হেকমক ওইথোকপা য়ারিব্রা, ঙমলিব্রা? শ্বাইসিদনি ইমা-ইপা, ওজা-গুরু, লাইনিংথৌ-লাইরেম্বী, ইমা লৈবাক, চীং-পাৎ তুরেল লোয়নমক নীংশিংলক্লিবসি। হৌজিক্তি খোঙফম চেৎনা লেপ্লে, ঐখোয় মীনা হেলহনবা য়াদে।

**ফেষ্টিভেল হৌবা নুমিৎ**

ইন্দিয়া ফেষ্টিভেল ইন ইউ এস এস আর, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর রজিব গান্ধীনা সোভিয়েটকী লুচিংবা গরবচোভকা লোয়ননা, মোস্কোগী মমিং লৈরবা লুজনিকিদা লৈবা সেন্ট্রেল ষ্টেদিয়মদা হৌদোকখি। ঐখোয়গী ইন্টরপ্রিটর জুলিয়ানা ঐঙোন্দা হায়খিবা ৱাফম অমা নীংশিংলকই।

- ৱেদর রিপোর্টকী মতুংইন্না, অকনবা নোংনা মোস্কো সিটি অসি পাকশন্না চুবা য়াবগী খুদম ফংখি। অদুবু ইন্দিয়া ফেষ্টিভেল অসি শোয়দ-ঙামদনা অমদি হরাউ-নুংঙাইনা পাঙথোক্লবগীদমক সাইন্টিষ্টশিংনা, তারক্কদবা নোং অসি কিলোমিটর ১০০ গী ৱাংমদা থৈদোক্তুনা থমখ্রে। হৌজিক্তি নুংঙাইনা থৌরমশিং পাঙথোকপা য়ারগনি।

ঐহাক ৱাফমদুদা থাজবা ঙমখিদে, করম্বা কেমিকেলনা, করম্বা অকনবা নুংশিৎনা, চুরগদবা নোংবু অদুক থাপ্পা হুম্বা ঙমগদবনো? নোং থৈদোক্কনি হায়রকপদা, ঐখোয় লৈকায়দা লৈবা পুপু নিত্যাই নীংশিংলকই। ইচল নুপীশিংনা য়াওশঙগী চাক চান্নবা নুমিৎতা, শুম্মাং লীলা অমা কৌজে। লীলাদুসু ঐনা চৎলগা চেপাউ পীরুবনি। লীলাদু মতমদুদা মমিং য়াম্না লৈখিবা ‘ইপাগী ইবুংঙো’ হায়বা (মীয়াম্না ডাকু জগৎসিং হায়না খঙনখিবা) লীলাদুনি। অয়ূক্তগী মাইক উতোন্দা পান্দুনা খোঙগৎখি। মাইক্কী ঈশৈসু নীংশিংলি ‘কাউরব্রনে নহাকপু, পুর্ণিমাগী থাবলদো...’ লীলা নুংঙাইগদবা নুমিৎতা চাকচা মাঙদগী নোংনা লেপ্তুনা হৈথরকই। ইচলশিং মথ্বায় য়াম্না ৱাখি। লৈকায়গী মীনা পুপু নিত্যাই নোং থান্বা হৈবনি, চৎলু মাবু খামহল্লু হায়নকি। ঐদি থাজখিদে ইচলশিংনা চৎলগা হায়রুই হায়। পুপুনা করি করিনো য়াম্না হায়রকমাল্লে। মখোয়না কোয়চেন চেন্দুনা, পুপুনা হায়বা খুদিংমক তৌখি। লুপা য়াঙ্খ্রে লৌহৌখি হায়। চানরুবগীরা খঙদে, নোংদু ঙাইহাক্তি হাংখি। লীলা শান্নবা হৌরমদাইদা অমুক খাক লাউদুনা নোংদু ফুদিৎ-ফুদুনা চুথরকখি। ইচলশিংগী ৱানা শিঞ্জবা লীলাদু ফীভম্না য়াদবদগী য়ৈথোকখি। পুপুগুম্বা সোভিয়েট লৈপাক্তসু লৈজাৎলা? মখোয়গীসিনা কমদৌজাৎনো? অদুবু অঙকপনি, নুমিৎতুগী সোভিয়েটকী অতিয়াদুমদি তরু-তরুনা উখি। নোংদি অদুম চুখিদ্রে, মসিসু অঙকপনি।

ফেষ্টিভেল হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াবা ওইনা ঐখোয়সু নাৎকী ফিজোল শেৎতুনা কুম্মৈ য়েংবা লাকখি। ঐখোয়না নাৎকী ফিজোল শেৎতুনা মোস্কোগী সেন্ট্রেল ষ্টেদিয়মদা চঙলকপদা, তীল্লম্বা মীয়াম্না খুখিবা খুবাক, কাপখিবা ফোটো, তুংদা ইন্নরকখিবা ময়ামদু খল্লুবদা অঙকপা পোকই। অতোপ্পা গ্রহ অমদগী থুংলবা থৱায় পানবা অমা ওইনা উরমগদবা মাল্লি। হেন্না য়েংনখিবসি, নাৎকী ফিজোল ময়েক নাইবা শেৎপী ঐখোয়গী ইচে-ইচলশিংনি। পংচাউ চাউদবা শাবানশিং অদুনা চনাং থারবা, অপাবা ইন্নফি ইন্দুনা, মশা ফনতক, খুনিং কাংতক, লৈ নাচোম অমমমগা চৎখিবদু, মখোয়গী মমিৎতা লাইধিবী ওইনা উরব্রা খঙদে। ইন্দিয়াগী অতৈ মফমশিংদগী শরুক য়াবা কলচরেল ক্রুপ কয়া কয়ানি। মখোয়দদি পংয়েং য়েংনখিদে, শক মান্নদবা মীৎথুপ য়াওদবা, নাতোন নম্বা ঐখোয়বুতা তান্নৈ ঐখোয়বুতা য়েংঙি। মখোয়দা অঙকপা অমা ওইনা য়েংনখি। ফেষ্টিভেল য়েংবা লাকখিবা তোঙান-তোঙানবা লৈপাক্কী মীয়াম্না মখোয়গী ডাইরি পুথোক্লক্তুনা ঐখোয়গী মিং ইহল্লমখি। অদুক য়াম্বা ওটোগ্রাফ ইবা পুন্সিদা অহানবনি। ঐনা হেন্না চাউথোকচখিবদি, মখোয়গী ডাইরিদা মৈতৈ ময়েক্লা ৱাহৈ খরা ইরমখিবদুনি। মণিপুরদগীসু অতোপ্পা জগোয়-ঈশৈগী কাঙলুপ য়াম্না য়াওখি। মখোয়না লাই হরাউবা, খম্বা-থোইবী জগোয়, থাঙ-তা অমদি মুক্লা মখল কয়া, তোঙানবা ষ্টেজশিংদা মীয়ামবু উহনখি।

ফেষ্টিভেল হৌদোকপদা, মণিপুরদগী মোইবুং খোঙবা ওজা বিনয় অমদি মাগী মপাংশিং মখোয় মরিনা, খূৎতা মোইবুং অনী অনী পায়দুনা খোঙলকপদা, চাউখ্রবা মোস্কোগী ষ্টেদিয়ম অদু থক-খা নিনখিবনি। মাইক্রোফোন মথৌ তাখিদে। মোইবুংনা মরোল লোন্না, অনেম-অৱাং নাইনা খোঙবা তাবদা, চাউখ্রবা লৈপাক অমগী লুচিংবা ওইখিবা গরবচোভনা ঙক্লা, মখূৎনা মৈতৈগী মোইবুংদু পায়দুনা য়েংখিবনি। নুমিদাংৱাইরমদা, মচু কয়াগী মৈ থান্দুনা নোংথক্তা মৈগী অঙকপা কুম্মৈ উৎতুনা হৌদোকপগী থৌরম লোইশিনখি।

ঙরাং নহান উবা শক্তমশিংদগী, ঙসি ঐখোয় ময়াম্না নাৎকী ফিরোল শেৎলকপা উবদা, ঐখোয়গী ইন্টরপ্রিটরশিংনা নোকফেৎ নোকফেৎ, মূনা মূনা য়েংলগা মখোয়গী মরোন্দা করি করিনো ঙাঙনখি। ঐখোয়গা লোয়ননা লৈফম তান্না পুল্লপ লাকখি। মাগী মাগী রুমদা চঙদুনা ফিরোল হোংদোক্ল রুরগা ময়াম ডিন্নর চাবা চৎকদবনি হায়না টানিয়ানা হায়রকখি। ঐখোয় ময়াম কাদা ফিরোল হোংদোক্লরুরগা রেষ্টুরাদা পুল্লপ চৎতুনা ডিন্নর চামিন্নখি। ঐখোয়গীদমক্তনি হায়না থৌরাং তৌবিরমখিবা চানবা ময়াম অদু উবদা, কুম্মৈ অমগুম থোকই।

ডাইনিং টেবলগী টেবল ফিদাশিং, অঙৌবা মচু কুপ্পুবা য়াদে, টেবলগী ময়ায়দা মখল মচুগী অশাৎপা লৈ চবুল-চবুলশিং থল্লি। পোৎ খুদিংমক, চপ্লগা পায়নবা, কোৎনবা মখল কয়া, প্লেট মখল কয়া-কয়ানা টেবলশিং অদুগী লৈতেং ওইরম্মী। চানবা অতৈদি শুনা লৈরে, থক্লবা ঈশিংতনি উবা ফংদবা। ময়ামদু হেক য়েংবদা ফুদ ফেষ্টিভেলগী মথেল-লুকোই ময়াম উৎপা মাল্লি। পোল্লাংশিংদা ডবল রোটিশিং, উহৈশিংনা, কাংগী অথেনপোৎ কারকপগুম খিন-খিন্দুনা লৈরি। লৈরম্লিবা চাননবশিং অদুদা, চাক উদবসিমদি ঐখোয়দা ইপেন পেন্নখিদে অদু ওইরগসু পুক থন্না চানবা হোৎনখি। হয়েংদগীদি পার্ফোমেন্স লৈবা হৌরগনি। অয়ূক রিহার্সেল বোলসোই থিয়েটরদা চৎকনি হায়না টানিয়ানা লাউথোক্লকই।

*(-মখা মথং নোংমাইজিংদা)*

*(লমকোয় ৱারী অসি মাখোনমনি মোংশাবনা ইবা চীংলোন অমদগী অমদা হায়বা লাইরিক্তগী লৌখৎচবনি)*

# ঐগী ওফিসতা ঐ

ৱারী ককনাউ

—নরেন্দ্র নিঙোম্বা—

**শাখ্রবা** নুংশা মরক্তুদা তা কুবেরদু গেট ময়াগী উপাল মচাদুগী মখোঙদা ফল্লগা, মাগী ওফিস ওইরম্বদুদা মমিৎ কুপ্তুনা মুন্না য়েংলি... মানা থবক লোইবগী কায়না থৌরমদা ময়াম্না মাবু অফবা এমপ্লোয়ি অমনি হায়না থাগৎনখিবদু নীংশিংলকই। কার অমা গেটতুদা কন্না থৌজিল্লকই। তা কুবেরনা খল্লি ঐনা ঙাইরিসি মা ওইরমতারে।

তা কুবের থবক্তগী রিটয়ার্দ তৌবা চহী ১০ ময়া শুজিল্লক্লে। ওফিস অদুদা অরিবা এমপ্লোয়ি কয়া লৈরমদ্রে। অনৌবা ঙাক্তনা মহুৎ শিল্লম্লে। পোষ্টিং চৎনখিবা য়াও, রিটয়ার্দ তৌনখিবা য়াও, খঙনবা থোইনা লৈরমদ্রে। অয়ূক্তগী চাকঙন চারগা মাগী পেন্সনদু কুইরে চঙলক্তবা কৈদৌরবনো হংগে হায়দুনা লাকচবনি। পেন্সন পায়বা মীদু লাক্ত্রি হায়দুনা মাগী ওফিসকী গেট ময়াদা ঙাইরিবসি কুইরে।

“ইবুংঙো, ঐগী পেন্সনদবু থা অহুম শুরে চঙলক্তবা, করি অশোয়বা লৈরবগে?”

নাকন্দা লৈরিবা বোট্টলদু মঙক লৈথোক্লগা ঈশিং গুরু গুরু থক্লি। খুম্বা ফাওবা হেক শঙদে। থবক চিনখৎলকই। তা কুবের অদুম লেপ্লী, পাউখুম ঙাইরি। নুপাদু ফাইল অমা হাংলগা য়েংই।

তা কুবেরনা খল্লি, “কয়াদা চিনখ্রবনো, ঐগী পাউখুম পীবদি লাইরদনা মীৎচিনা য়েংবফাও হেক শংদেদা”। “ইবুংঙো চিনবুদি চিনবিরি, ঐগীদুবু কমাই তৌবনো য়াম্না ৱানা লাকচবনি অমুক্তা য়ানবা তৌবিয়ুবা”।

“কৈনো নহানখে কৈদৌ লৈগে”?

“ইবুংঙো ঐসি ঐগী ওফিস সিমক্তদা লম্মাংনবা হায়দু তারে। ৱারৌবিগনু, য়ানবা অমুক্তা তৌবিয়ু”। তা কুবেরনা নোঞ্জ ৱাহৈ হায়জৈ। নুপাদু নুঙোল্লমমাল্লে, তা কুবেরদা ওনশিল্লগা নোকফেৎ তৌনা, “হোই ঐ য়েংজরগে, লুপা ২০০ দং খুলামখাঙ কৌরম্মু”। তা কুবের শ্বাই লাওই। ওটো ভারা লৈতদুনা য়াম ৱানা বজার ফাও মীগী গাড়ী মচাদা নপ্পগা লাক্লগা মখোঙনা ওফিস তম্না শোল্লি শোল্লি লাকচবনি। অদুইসু মথক্তা মদুগী মতৌদুদি মানা অদুক শাংনা থবক তৌরম্বদু অদুগুম্বা অমতা য়াওরক্তে, তৌদ্রনিনা থেংনরক্তে।

“ইবুংঙো সিবু ঐগী ফংফম থোকপা নৎত্রনে, অদুম য়ানবা শিনবীয়ু, ঐদি শেলসু অমতা য়াওরক্তে, খোঙনফাও লাকচরিবনি, উপায় লৈজদেবো”। ৱাদু তাবদা নুপাদু পিশুম অনীদু শৎ লাওনা নকশিন্নখি। “য়ারে থায়নগী মতমগা মান্না য়াপোৎতে। খুরাখোয়না থবক তৌরকপদা ফৌ শঙবাই অমা তিংলকপা নত্তে, ঐখোয়দি মসি ওইনবা হোৎনবদা কয়ানো তিংখ্রিসে... য়ারে কোন্না তৌরসি” কয়াদা নিঙাই মল্লাইদবা ৱানো? তা কুবের হায়রপ লেপ্পম্মগা অদুম থোরক্লে, নুপাদুসু হন্না য়েংলক্তে। শাউরংননা ফাইলগী চেনাদু ফদ্রৎ ফদ্রৎ হাংদুনা লৈহৌই।

তা কুবেরনা ওফিসতুগী থোঙ হেক কান্থোরকপগা হন্না য়েংই, খল্লি, “নুংশিদা ঐগী ওফিসসে, মতমগী শাহুমনা য়ৈবদা পুমহোং হোংলমলেদো”। মতম অমা ঐঙোন্দা থবক ফবগী দিপার্টমেন্টকী অচৌবা ফঙ্কসন অমদা পীখিবা এৱার্দ অদুগী ভেল্যুদু মতমসিগা চাং তম্না তম্না গেট হাংদোক্লম্মী।

# নোংঙাল্লমদাইগী থাজ

## (ৱারীমচা অসি হুইয়েন লানপাউ সোর্ট ষ্টোরি চাংদম্নবদা ইন্ট্রি তৌরকখিবা ৱারীমচানি)

—বিদ্যারানি নিংথৌজম—

**মোং** হাদ্রবা, থোৎলবা নুপী ওইবীগী মশক অপাম নুংশি শেৎনরবদা খুন্নাইগী মিৎয়েংখাদা মশাগী খোঙফমদা তনিক-তনিক লেপচ আশা অমগী মরুমদা হিংনবা হোৎনজরিবী মীনুংশিনা থল্লবা মৈতৈ নুপীগী থম্মোয় শোক্লবা শৈহেক তাঙল্লোই মালেমসিদা।

থোই চুং-ফিরাল চানা ফজে। চুম্নগী মশক্তা নত্তে, ঈং তপ্পা, মোং হাদবীনি। থোইনা পাঙথোক্কে খনখিবা থবক খুদিংমক পাঙদনা তোক্তে। মীনুংশিসু চাউই। থোইনা ময়াম্না ফজরে খন্নরবা য়ূমদুগী গেট ময়াদা লেপ্পী, খল্লকই য়ূমসিবু অসি য়ৌনা মীয়াম্না পাম্নরিবা করিগীনো? ৱাহংসিগা লোয়ননা থোই গেটতু লানশিল্লক্লে খল্লকই, হেক চঙলকপদা উরে লংখোঙ চুরিদা নুমিৎ খুদিংফমদুনতা লৈবী অঙাওবী ইমাদু। মচিন্দা করি করিনো মুরুম-মুরুমসু শোল্লি, মমায়দু নোংথক্তা ঙাইঙমদ্রবা মিৎয়েংনা অমুক-মুকসু য়েংখৎলি, ফুক হৌগৎতুনা নীংবা কায়না অমুকসু লাউই।

থোইনা মথং নুমিৎতা য়েংবদা অঙাওবী ইমাদু ঙরাংদগী খরা হেন্না নীংবা কায়বা মাল্লি। খঙনিংমনখ্রদুনা ইমুংদুগী মশা নানবা ৱাজাউ ঙাঙবা, মকোক্তি মৈতৈগী কোকয়েৎ, অতৈদনা মেছিনগী অতাংবা মানবা ফিজোল শেৎপদুদা, করিগী ইমানা নোংমা নোংমগী ফীভম শোকচিল্লকইবনো, ধারি ফাওবা কাবা ঙমদ্রিবনো?

হায়রকই,

- শেৎলিবা ফিজেৎ চাকচা খরসি হোংদোক্লো, য়ূমসিগী অফ-নুঙাই শরুক য়াজদুনা পূন্না নোকসি য়াদবগীনি।

থোইনা,

ইমা করিগী নুংঙাইবা পামদ্রিবনো, মহাক্লা হায়রিবসি অচুম্বা?

থোইদা য়েংদুনা,

মমিত্তগী থিংবা ঙমদ্রবা ইচেলগা পাংখক ওই পিরাংগী তুরেল শেম, মৈগী চীং পোকখায়বগুম থবাক খুতুম শু হিক্লা তেংথানা হায়রকই, তারো ঐগী মফমসিদা ইচা য়াম্না পোকই। মফমসিগী লৈশাদগী মখোয়বু মীচং মীখাই নাইদনা নাওকোল্লিদো। য়ূমসি ইখূৎনা শেমজবা উপালনা য়ূম্বী ওই, থাজবা তৌরাংনা ফল্লাং শেম, কম্বোং ঈনা নোংজু ঙাকথোক মপূং ফাহনবনি।

থোইনা তু চুংনা হংলকই-

হায়বীয়ু ইমা মতৌ করম্না য়ূমসি পৈশা পায়বা মখোয়গী ওইরিবা?

মখা তারকই -

পেরুক, চবোন্না য়োকচবা ইচাশিংসে চাউরে, শায়েং পাম্বোম ঙানবা ঙম্লনি খনবা মীকুপ্তুমক্তদা শাদানবনা শা ফাবগী মহুৎ ইচাশিংসে ফাবীরে। মখোয়গী অরংবা য়াইনা মমিৎ থকহনখ্রে। কাপ্পা য়াবা হীদাক মখৈ কাপখ্রে, থেমদুনা মমাবু কাওহনখ্রে। ফিজোল শিনবীখ্রে। লোন য়ানশিন্ননা ঙাঙখ্রে, কেগে মরুগী থাউ, ঙসিদি পাম্বী ফাওবা য়ানখ্রে। শাদানবগী মৈঙান্দা চাওথোক্তুনা হিংখ্রে। করম্বা মতমদা মুখুৎতুনা অমম্বা ওইগদৌরিবা খঙখিদ্রে। মমা ঐগা শাগোন্নহৌরিবা ইন্দ্রিশিংদুনা শিঙমদনা মমা ঐগীদমক শিবদু মখোয় উখিদ্রে। ইমুংগী লময়াইদা পোথারিবা মহাক্কী মখোং চামদুনা শেঞ্জাও মখোল থোকহল্লিবা মহাক অতৈ কনাসু নত্তে, ঐগী অশেংবা ঈগী ইচানি। মহাকপু মবুক থল্লরোই হায়দুনা ঐনা চরা নোংখন্ননা মাতবু থল্লসনু পীজখিবা, ঐনা পীখিবা পাঙ্গল পূম্বা মীগী মখোং চাম্বদা শীজিন্নখ্রে। চপ লেপখ্রে ঐগী ইচাশিংগী পাঙ্গল ইমুংসিদা, শক্তি ফুদোরকই অঙম্বশিংনা চাওখ্রবা ইমুংসিদা লানবুং ওইনা। পাঙ্গল য়াওদ্রবা ঐগী ইচাশিংনা শিন্থবা নত্তনা পিরাং করিসু তৌবা ঙমজদে অদুনা হিংনবা মখোয়গী মখোং কোন্না লেল্লে ইমুংসিমক্তদা। মখোয়না ইনশিন্দুনা মোংফম কয়া তৌহল্লি ইয়ূমসিগী মনুংদা, য়ৈখাই থিনগাইবতনা থল্লে। পূম্নমকসিদা ঐ খাঙবা ঙমদ্রে, ইচাশিংসে মনিং তম্না হিংবা ঙম্নবা উপাই থিবদা ঐ অঙাওবী ওইরে।

থোই ৱাখল অমনা লমজিংদুনা ইমুংদুদা চঙলে। অপনবা পীরকপা খুদিং ঈং তপ্পা ৱাঙাঙ, অচুম্বা ফিজেৎনা তপ্পা তপ্পা মায়থীবা পীদুনা পূম্নমক্তা লিংজেল হাপ্পুনা মমাগী মপাউ তম্লে। ৱাখল লাক্তুনা য়ূম্বু নত্ত য়ূম্বু শাবা পূম্বা মনিং থোঙদগী তান্থোক্লে। অসুম্না মচাশিং পূম্বনা পেরুক চাখিবগী পাঙ্গল নীংশিং, উচি চগেমগী মহাওনা মিৎ-মাই শিংহন, অকায় অতোয় পূম্বা শেমজিনবা লোইদুনা ইমা অঙাওবীগী পিরাং তৈথোক ইমুংদা লেংশিনহনখ্রে। হেন্না ইমাগী মগুন খঙলদুনা অঙাওবী নত্তে য়োকচবদা অকে অমৌ চঙদবনি, শৈথাজৈ মালেমদা তোমথিন ঙাল্লিবী অশংবা লৌবুক্লা ফিজোল ওই, অৱাংবা চীংজাওনা লুওন ওই, অরংবা লোক্তাক্লা শকয়েং মিংশেল ওই, উপাল ৱাপাল খিবিক্কী মখোক লোয়র মনাশিংনা হৈথবগুম মালেমদা সনাগী মপাল হৈথরিবা উনাশিংনা নিংথিবী নঙগী তম্পাক্তা। উচেক ৱায়া খিবিকসু মপুগী মিংখৈ শোল্লে, নশাইকোন্দা পোকচবা নচা ঐখোয়না অমুক নতম্পাক্তা শান্নবা ফংজবা কয়াদা লাইবক ফখ্রবা।

শৈথারিবা মতমদু নোংঙাল্লমদাই থাজনা থোঙনাওদা মঙাল পীবা মতমনি। মচাশিংবু য়েংনা য়ূমগী অকোয়বদা পূক্লিং ইপাল লাংদুনা য়েক্ল বা লাকখিদ্রা য়েংজৈ ইমাদো। অহিং মিংশেল খাঙনা ৱাহংতা হংলকখিবী থোইনা ইমা কৌরুবদা হান্না পীরক্লে ইমানা ঙসিদি ইমুংসে লোইরমদাইদা কল্লে নোংঙাল্লমদাই থাজগুম। মখোয় য়েংদুনা নোকমিন্নৈ, নুমিৎ থোক্লকপা ঙাইখ্রে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০

১। ‘কবিতা নিকুঞ্জ’ কনানা ইবনো?

২। ৱারীমচা ইবা নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন্না উপন্যাস অমখক ইরম্মী। মমিং করি কৌই?

৩। ‘লৈসং’ লাইরিক্কী অইবদু কনানো?

৪। ‘নুংশিত্তি পাবা হৈতে’ মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো?

৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো?



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ২৪, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।